# হৌথিশিংনা সাবৱাদা লৈবা য়েমেনি আর্মিগী পোজিসনশিংদা বলিষ্টিক মিসাইল কাপশিনখ্রে

সানা, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): য়েমেনগী খা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স সাবৱাদা লৈবা আর্মিগী পোজিসনশিংদা হৌথিশিংনা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিন্দুনা এট্টেক তৌখ্রে অমসুং মদুদা য়ামদ্রবদা লান্মী ৪০ রোম শিখ্রে হায়না মিলিসিয়া কাঙবু অসিনা ক্লেম তৌখ্রে।



থাংজ নুমীৎতা হৌথি মিলিটরিগী স্পোক্সমেন য়েহ্যা সরিয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, মিসাইল অদু প্রোভিন্স অদুগী অসাইলান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লান্মীশিংগী গেদরিংদা টার্গেট তৌদুনা কাপশিনখিবনি। অদুম ওইনমক মিলিটরি ওফিসল অমনা এট্টেক অদুদা শুপ্নগী লান্মী মঙা শিখি হায়রদুনা ভিক্টিমশিংগী মশীং ৪০নি হায়বা হৌথিশিংগী ক্লেম অদু রিজেক্ট তৌখ্রে।

মিসাইল এট্টেক অদুবু কনফর্ম তৌরদুনা ওফিসল অদুনা হায়, হৌথিগী এট্টেক অদুদা লান্মী ১১সু অশোক-অপন নংখি। মিসাইল অদু প্রো-গভর্ণমেন্ট জাইন্টস বৃগেদসকী মিলিটরি সাইদ অমগী মনাক্তা তাশিল্লকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌথিশিংনা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা মিসাইল কয়া কাপশিল্লক্লি। গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা সাবৱা অমসুং মারিব প্রোভিন্সশিংদা হৌথিশিংদগী মরুওইবা লম কয়া খুদুম চনবা ঙমখ্রবনি। থাংজ নুমীৎকী এট্টেক অসি জন্যুৱারী ২৭তা মারিব প্রোভিন্সতা চথখিবা অতোপ্পা বলিষ্টিক মিসাইল এট্টেক অমা হৌথি মিলিসিয়ানা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা পাঙথোরকখিবনি। মারিবকী বলিষ্টিক মিসাইল এট্টেক অদুদা মীওই তরেৎ শিখি।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা লান কন্না শোক্লবদা সাবৱা অমসুং মারিব প্রোভিন্সকী ষ্ট্রেটেজিক দিষ্ট্রিক্ট কয়া গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা হৌথি গ্রুপতগী লৌশিনখ্রবা মতুংদা মিলিসিয়া কাঙবু অসিনা থাউ মরাং কায়না ফংবা প্রোভিন্স অনীমক্তা অকনবা মওংদা মিসাইল এট্টেকশিং চথরকখিবনি। হৌথি মিলিসিয়ানা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসকী এয়রপোর্টশিং অমসুং অতৈ ফেসিলিটি কয়াদা বোর্দর ৱাংমদগী বলিষ্টিক মিসাইল এট্টেক কয়াসু তোয়না চথদুনা লাকখি। য়ু এ ঈ অসি য়েমেনি আর্মি শৌগৎপা রিয়াদনা লুচিংবা অরব কোলিসন অমগী মরুওইবা মেম্বর অমনি।

চৈরকসিদা, রাইটস গ্রুপশিংনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা হৌথিশিংবু অমুক হন্না ব্লেক লিষ্ট তৌবগী খোঙথাং লৌখৎতনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। রেবেলশিং অসিবু টেররিষ্টশিংনি হায়না লাউথোকপা তারবদি মদুনা লানগী অৱাবা নংলবা লৈবাক অসিদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংশিং থাজিনবগী থবক কয়াদা অকায়বা চাউনা থোকহনগনি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা প্রসিদেন্ট বাইদেনদা খঙহনখি। হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংদগী টেররিষ্ট গ্রুপ হায়বা মিংথোল অসি লৌথোকখিবা মতমদা দিজিগনেসন অসিনা অৱাবা নংলবা মীয়ামগী থৱায় কনগদবা ইন্টরনেসনল মতেং কয়া য়ৌহনবগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়না পনখিবনি।

# মতম খরা লেপ্লুরবা অফঘানিষ্টানগী সিভিলিয়ন, মিলিটরি এয়রপোর্টশিং ওপরেসন হৌখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা অফঘানিষ্টানগী মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসন তুখিবদগী লেপ্তুনা লাকপা লৈবাক অসিগী সিভিলিয়ন অমসুং মিলিটরি এয়রপোর্ট ২৭ অমুক হন্না মহৌশাগুম ওপরেসন হৌরে হায়না লৈবাক অসিগী টালিবান্না লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।



টালিবান গভর্ণমেন্টকী মিলিটরি অমসুং সিভিল রেগুলেটরি কম্মিসনগী মকোক লাতিফুল্লাহ হাকিমিগী ৱারোল পল্লদুনা তোলো ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়, এয়রপোর্ট ২৭ অসিগী মনুংদা অয়াম্বা এয়রপোর্ট প্রোব্লেম লৈতে হায়বা য়াই। খ্বাজা রাৱাশ, কান্দহার অমসুং খোষ্ট এয়রপোর্টকুম্বা লিমিটেদ এয়রপোর্টশিংদমক প্রোব্লেম খরা লৈখি। হান্না শরুকমঙা থোক্লা লৈরম্দু হৌজিক ঐখোয়না শরুক অনীদমক ওইহল্লে। অমনা মিলিটরিনি অমসুং অতৈনা সিভিলিয়ননি। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট অমখক লৈরবনিনা শরুক য়াম্না খায়দোকপগী মথৌ তাদ্রে। মতম অমদা গভর্ণমেন্ট কয়ামরুম লৈরিঙৈদা খায়দোক্লম্বশিং হৌজিক মখা তানা চৎনররোই।

হাকিমিগী মতুংইন্না হৌজিক মিলিটরি এয়রপোর্ট অহুম ওপরেট তৌরি। মখোয়দুদি পৱানদা লৈবা বগ্রাম, হেলমন্দগী শুরাব অমসুং হেরাটকী শিন্দান্দনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগী স্পোক্সমেন ইমামুদ্দিন অহমাদিনা হায়, অফঘানিষ্টানগী এয়রপোর্টশিংদগী মীয়ামদা মহৌশাগুম সর্ভিস ফংহল্লি। ফ্লাইটশিং মরুওইনা কাবুল এয়রপোর্টতগী মহৌশাগুম ওপরেট তৌরি। ফোরেন অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং অনীমক ওপরেট তৌরি। মিলিটরি এয়রফিল্ডশিং অমসুং কাবুল এয়রপোর্টকী শরুক খরদগী মিলিটরি ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরি। মসি মিলিটরি, লোজিষ্টিক্সকী হীরমশিংদা শীজিন্নবনি।

চৈরকসিদা, পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংনা হায় মদুদি, লৈবাক অসিগী এয়রপোর্টশিংগী এক্টিভিটিশিং মরুওইনা মিলিটরি এয়রফিল্ডশিংগী এক্টিভিটিশিং হৌদুনা অখন্নবা ওপরেসনশিং পাঙথোকপা অসি য়াম্না তঙাইফদবা খোঙথাং অমনি। মসিনা ইমজেন্সিগী ফীভমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্বু তঙাইফদবা মতেং ফংহল্লগনি।

এ সী এ এগী হান্নগী চেয়রমেন মোহম্মদ কাসেম ৱাফায়ীজাদানা হায়, হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না অহানবদা লৌখৎকদবা খোঙথাংদি এয়রফিল্ডশিংদা মিলিটরি এক্টিভিটিশিং সিভিলিয়ন এক্টিভিটিশিংদগী তোঙান্না পায়খৎপনি। টালিবান, টর্কি অমসুং কটারগী মরক্তা অফঘান এয়রপোর্টশিংগী মেনেজমেন্টকী অকক্লবা হীরম খরগী মতাংদা দোহাদা নিগোসিএসন চথরিঙৈ মরক্তা থাংজ নুমীৎকী খোঙথাং অসি লাকপনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফাইনেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা লৈত্রি।

অফঘানিষ্টানগী এয়রপোর্টশিং চলাইবগী মতাংদা জন্যুৱারীগী অঙনবদা টালিবান গভর্ণমেন্টনা কটার-টর্কিশ কম্পনি অমগা অনীশুবা রাউন্দগী নিগোসিএসন চথখিবনি। টালিবান এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ু এ ঈগী কম্পনি অমগসু নিগোসিএসন তৌখি।

# সুনামিনা শোকহল্লবা তোঙ্গাদা ফিজিনা রিলিফ সপ্লায় থাখ্রে

সুবা, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): হন্দক্তা মৈগী চীং পোকখায়বগা লোয়নননা মতুং তাবদা সুনামি থোক্তুনা অৱাবা মায়োক্লরকখিবা তোঙ্গাদা ফিজিনা রিলিফ সপ্লায়শিং থাজিনখ্রে।

লোকল মীদিয়াগী মতুংইন্না থাংজ নুমীৎতা ফিজিয়ন গভর্ণমেন্ট ওফিসল ১২গা লোয়নননা লৈবাক অসিগী ভেসেল লোমাইভিটি প্রিন্সেস ১দা ফিট ৫০গী কন্টেনর ১১ ফিজিদা থাখ্রে। মখোয়না হেক থুংবগা তোঙ্গাগী মীয়ামগা কন্টেক্ট তৌবা লৈরোই। ফিজিগী মিনিষ্টর ফোর দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ইনিয়া সেরুইরাতুনা হায়খি মদুদি, নুমীৎ কয়ানি দিস্কসন তৌরবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা তোঙ্গাগী মীয়াম্বু মতেং পাংনবা রিলিফ সপ্লায়শিং থাননবা ৱারেপ লৌখি।

ভেসেল অদুগী ক্রুয়াওনা তোঙ্গাদা চৎলিবা পর্সনেল পুম্নমক কোভিদ টেষ্ট তৌরে অমসুং মখোয় লায়না অসি পক্ত্রে হায়বসি খঙলে। ক্বারন্টিনগী ৱাফম্না মরম ওইদুনা ভেসেল অসিনা হেক থুংবগা কনামক্তনা তোঙ্গাগী মীওই অমত্তা শোক্ল-শম্নরোই।

তোঙ্গাগী কেপিটেল সিটি নাকুয়ালোপাগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৬৫ রোম লাপ্না লৈবা মৈগীচীং হুঙ্গা তোঙ্গা-হুঙ্গা হাপাই অসি ন্যুজিলেন্দদগী নোর্থ-নোর্থইষ্টলোমদা ফিজি য়ৌনা শন্দোক্লিবা সব-দক্সন জোন অমা ওইরিবা য়াম্না এক্টিভ ওইবা তোঙ্গা-কের্মাদেক আইলেন্দস ভোলকেনিক অর্ককী শরুক অমনি। হৌখিবা চহী কয়াদা মৈগী চীং অসি কয়ারক হন্না পোকখায়খি। জন্যুৱারী ১৪-১৫দা থোকখিবা মৈগী চীং পোকখায়বা অমসুং সুনামিগী থৌদোকশিং অদুনা মীওই অহুম শিহনবগা লোয়নননা অতৈ মীওই কয়া অশোক-অপন নংখিবনি। জন্যুৱারী ১৯দা তোঙ্গাগী গভর্ণমেন্টনা য়ু এন রেসিদেন্ট কোওর্দিনেটরগা মৈগী চীং পোকখায়বা অমদি সুনামিগী চৈথেং অদুগা মরী লৈননা মতেং পীবীনবা হায়জখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অমা ইষ্ট সীরোমদা কাপখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমীৎতা বলিষ্টিক মিসাইল ওইরম্বা য়াই হায়না থাজবা প্রোজেক্টাইল অমা ইষ্ট সীরোমদা কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। মদু চহী অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকপা তরেৎশুবা মিসাইল চাংয়েংনি।



জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জে সী এস)কী ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক পুং ৭:৫২ তাবদা চাইনাগা লোন্নবা অৱাংথংবা প্রোভিন্স জগাংদগী মিসাইল লোঞ্চ অমা দিটেক্ট তৌখি। জগাং প্রোভিন্স অসি নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর অমসুং জন্যুৱারী ৫ অমসুং ১১দা হায়পরসোনিক মিসাইলশিং লোঞ্চ তৌখি হায়না ক্লেম তৌখিবা নোর্থকী প্রোভিন্সনি।

জে সী এসনা পাউমীশিংদা থাদোরকপা টেক্স মেসেজ অমনা হায়, ঐখোয়গী মিলিটরিনা নোর্থ কোরিয়ন মুভমেন্টশিং ট্রেকিং অমসুং মোনিটরিং তৌবগা লোয়নননা মীকুপ নাহুম শীংনা শেম-শাদুনসু লৈ। প্যোংয়াংনা চহী অসিগী হৌবদগী পরিং নাইনা মিসাইল লোঞ্চশিং পাঙথোক্তুনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা উংখৎনবা ফীভম হেনগৎহন্দুনা লাক্লিবনি। মসি নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবদা মতম শাংনা লেপ্তুনা লাক্লিঙৈ মরক্তা ৱাশিংতননা প্যোংয়াংগী মায়োক্তা অথিংবগী প্রেসর হেন্না কন্না পীরিঙৈ মরক্তা পাঙথোরকপনি।

কুমজা ২০১১গী অথেংবা শরুক্তা নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জো-উননা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবদগী লৈবাক অসিনা থা অমগী মনুংদা প্রোজেক্টাইল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লোঞ্চ তৌবসি জন্যুৱারী থা অসিনা ওইরি। কুমজা ২০১৪গী মার্চ অমসুং জুলাই থা অনীমক্তা নোর্থ কোরিয়ানা প্রোজেক্টাইল তরুক লোঞ্চ তৌখি। নোর্থ কোরিয়ানা শগোলশেল নুমীৎতা সর্ফেস-টু-সর্ফেস টেক্টিকেল গাইদেদ মিসাইলশিং কাপখি। মদু লোং-রেঞ্জ ক্রুজ মিসাইল অমা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবা মতুং নুমীৎ নীনিখক লৈরগনি।

থা অসিগী অঙনবদা লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লোঞ্চ মরিসু পাঙথোকখি। লোঞ্চশিং অদুদা হায়পরসোনিক মিসাইলশিংসু য়াওখি হায়না লৈবাক অসিনা ক্লেম তৌখি। নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র অমসুং লোং-রেঞ্জ মিসাইল টেষ্টশিং পাঙথোকপদা মশানা অথিংবা থমজরকখিবদু লৌথোকপা য়াই হায়না কিহনখিবা লৈবদগী সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা নোর্থকী মিলিটরি মুভমেন্টশিং কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। হন্দক নোর্থ কোরিয়ানা খুৎলায় চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লিবসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনরিঙৈ মরক্তা অমদি য়ু এসনা লুচিংদুনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থম্বদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈদা ইন্টর্নেল য়ুনিটি চেৎশিনহন্নবা হোৎনরকপগা চান্নননি।

# ওষ্টিয়ানা কোভিদকী অথিংবশিং মখা তানা কোমথোক্লগনি

জুরিচ, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): ওষ্ট্রিয়াদা নেসনল ভেক্সিন মেন্দেট লৈবাকপোকপা নুমীৎতগী চৎনহনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা ফেব্রুৱারীদা কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিং মখা তানা লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী মনুংদা নেসনল ভেক্সিন মেন্দেট চৎনহনবা ওষ্ট্রিয়ানা অহানবনি। থাংজ নুমীৎতা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা লৈবাক অসিগী চান্সল্লর কার্ল নেহাম্মরনা হায়খি মদুদি, ফেব্রুৱারী ৫দগী হৌরগা লৈবাক অসিগী রেষ্টুরেন্টশিং অহিং-নোংয়াই ফাওবা হাংহল্লগনি। হান্নদি নুমীদাং পুং ১০ ফাওবদমক হাংবা য়াহল্লম্বনি। খোঙথাং অসিগা ঈরোয়ননা ভেক্সিন কাপ্তুবা মীওইশিং ষ্টোরশিং অমসুং রেষ্টুরেন্টশিংদা চঙবদা অথিংবা থম্লম্বদুসু থেঙ্খাং নাইনা লৌথোক্লগনি।

ফেব্রুৱারী ১২দগী হৌরগা ওষ্ট্রিয়াগী দুকানশিংদা চঙবদা ভেক্সিনেসন নৎত্রগা কোভিদতগী ফবগী প্রুফ উৎপগী মথৌ তাররোই। মসিগী মতুং চয়োল অমা কান্নরগা হায়বদি ফেব্রুৱারী ১৯দা ভেক্সিন কাপ্লে, কোভিদতগী ফরে হায়বসি প্রুফ তৌবা ঙম্বা নৎত্রগা নেগেটিভ কোরোনাভাইরস টেষ্ট উৎপা ঙম্বা মীওই খুদিংমক্না রেষ্টুরেন্টশিংদা চঙবদা অথিংবা অমত্তা লৈররোই।

নেহাম্মরনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা, ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংগী ওইনা নবেম্বরদগী চৎনরকখিবা লোকদাউনগী অথিংবশিং নিংথৌকাবা নুমীৎতা লোইরগনি হায়খিবনি। থাংজ নুমীৎতা গভর্ণমেন্টনা লাউথোরক্লিবসি লৈবাক অসিদা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা অনৌবা ইনফেক্সন মশীং থংন-থংননা নুমীৎ কয়ানি দিটেক্ট তৌবা লৈরিঙৈদনি। ইরাই নুমীৎতা ওষ্ট্রিয়াদা অনৌবা কেস ৩৪,৭৪৮ রিপোর্ট তৌখি। পেন্দমিক অসিদা ওষ্ট্রিয়াদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদনা মীওই ১৪,০০০ হেন্না শিহনখ্রে।

# আই এস মিলিটেন্ট তরুক শিরে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): থাংজ নুমীৎতা ইরাককী ইষ্টর্ন প্রোভিন্স দিয়ালাদা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা এক্সট্রিমিষ্ট ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকী মিলিটেন্ট তরুক শিখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ছোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্স অসিগী মতুংইন্না শিখিবা মিলিটেন্ট তরুক্তুগী মনুংদা আই এস লোকেল লিদর অমা য়াওরি। এজেন্সীনা ইরাককী আর্মিগী কর্নেল ইহাব মোহম্মদকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ইন্টল্লিজেন্স রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরাকিৱার প্লেনশিংনা দিয়ালা প্রোভিন্সকী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা উধিম এরিয়াদা আই এস পোজিসন অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথখি। এয়রষ্ট্রাইক অদুদা লোকেল আই এস লিদর অমা য়াওনা আই এস মিলিটেন্ট তরুক শিখি। আই এস মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন মিলিটরি ওপরেসন কয়া চথদুনসু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা হান্না কন্ট্রোল তৌরম্বা প্রোভিন্সশিংদা হন্দক মখোয়গী এক্টিভিটি কনখৎলকপা উখি।

# সর্গিও মাট্টারেল্লা অমুক হন্না ইটালিগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

রোম, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): ইটালিগী প্রসিদেন্ট সর্গিও মাট্টারেল্লা ভোট লৌনবদা অমুক হন্না অনীশুবা টর্ম অমগীসু খল্লে হায়না লৱার হাউসকী স্পিকর রোবার্টো ফিকোনা থাংজ নুমীৎকী অথেংবদা লাউথোকখ্রে।



পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সেসন অমা পাঙথোক্তুনা ৮লকশুবা ওইনা ভোট লৌনখিবা মতুংদা স্পিকরনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। ভোট লৌনবদা লোমেকর অমসুং রিজনল রিপ্রজেন্টেটিভ ৯৮৩না শরুক য়াখিবগী মনুংদা মাট্টারেল্লানা পুন্না ভোট ৭৫৯ ফংদুনা অচৌবা মেজোরিটিগা লোয়নননা রিকনফর্ম তৌখি। মহাকপু অমুক হন্না ইটালিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়বগী ওফিসল নোটিশ ফংলবা মতুং ইকান কান্নদনা ক্বিরিনেল প্রসিদেন্সিএল পেলেসতগী ৱা ঙাংবদা মশাগী চহী ৮০ শুবা মাট্টারেল্লানা লোমেকরশিং অমসুং রিজনল রিপ্রজেন্টেটিভশিংবু মঙোন্দা থাজবা থম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লাইভ ওইনা শন্দোকখিবা দিক্লারেসন ব্রোদকাষ্ট অদুদা মহাক্না হায়খি মদুদি, অরুবা হেল্থ, ইকনমিক অমসুং সোসল ইমর্জেন্সি মনুংদা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিনা ঐখোয়দা খঙহল্লিবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী লুচিংবশিংনি হায়রিবা ঐখোয়দা রেস্পোন্সিবিলিটিগী ৱাখল অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী ৱারেপশিং ঈকায়খুম্নবগী ৱাখল চেনগদবনি হায়বসি উৎলি।

মরুওইবা পোলিটিকেল ব্লোক অনী হায়বদি সেন্টর-লেফ্ট অমসুং সেন্টর-রাইটনা তোঙানবা কম্মন কেন্দিদেট অমা খনবগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী মাট্টারেল্লাবু অমুক হন্না কেন্দিদেট ওইহনবগী ৱাফম অসি খন্নরকখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী ভোট তরেৎলক থাদনখিবদা কেন্দিদেট অমত্তনা মায় পাকপগী ভোট মশীং ফংখিদবনি। মদুনা কোলিসন অনীমক্তা মচেৎ তান্নবগী ফীভমশিং লৈ হায়বসি উৎখি। সেন্টর-রাইট অমসু সেন্টর-লেফ্টতা য়াওবা খ্বাইদগী চাউবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা থাংজ নুমীৎকী অয়ুক্তা লৈখায় তাবা ঙমদ্রে হায়বসি য়ান্নরবা মতুংদা মখোয়না মাট্টারেল্লাবু অনীশুবা টর্ম অমগসু পায়হন্নবগী ৱাফম য়ান্নখি।

# ‘ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিল কায়হন্দনা থম্নবা য়ানবা পুরকপা পাম্মী হায়বসি প্রুভ তৌরে’

টেহরান, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিলবু ইরাননা কায়হন্দনা থম্নবা ভিয়েনানা দিপ্লোমেটিককী খোঙথাংশিংগী খুথাংদা য়ানবা অমা পুরকপা পাম্মী হায়বসি লৈবাক অসিনা প্রুভ তৌরে হায়না ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম রাইসিনা ফোঙদোকখ্রে।



এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, রাইসিনা ৱাফম অসি থাংজ নুমীৎকী নুমীদাং অথেংবদা ফ্রান্সকী মহাক্কী লেংমান্নবা ইমান্যুএল মেক্রোনগা ফোনদা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি মদুদি, অতোপ্পা সাইদনা দিল অসিগী মতাংদা অহোংবা লাকহনবা পাল্লবদি টেহরানগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং ভেরিফাই তৌবা য়াবা মওংদা লৌথোকপা, অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা মরন্নাইগী ওইবা ৱারেপতা মতুংদা দিল অসিদগী তোক্লোই হায়বগী ভেলিদ গরেন্টি লৈহনগদবনি। মমাঙদা য়ু এসনা দিল অসিদগী হন্দোকখিবদা মতুং তাবদা লাকখিবা ফীভমশিংগী থৌদাং অমত্তা লৌহনখিদে।

মহাক্না হায়খি মদুদি, হান্নগী প্রসিন্টে দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংবা মমাঙগী য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা টেহরানগী মায়োক্তা মেক্সিমম প্রেসর পীবগী কেম্প্যেন চথখ্রবসু মায় পাকখিদে হায়বসি ৱাশিংতননা য়াজরে। ৱেষ্ট এসিয়াগী মতাংদা পল্লদুনা ৱারী শানবদুদা রাইসিনা হায়খি মদুদি, লমদম অসিদা তংতাবা ফীভম অমসুং সিক্যুরিটি লৈহনবা হায়বসি ইন্ট্রারিজনল সোল্যুসনশিংগী খুথাংদা য়াগনি, মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপনদি লমদম অসিদা মরা তপ্পা ফীভম অমদি সিক্যুরিটি লৈহনবা ঙম্লোই। প্রসিদেন্ট অনীনা রিজনল ইস্যুশিং মরুওইনা য়েমেন অমসুং লেবাননগী ফীভমশিং অমদি বাইলেটরেল মরী ফগৎহনবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি।

# সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ুক্রেনগী কিভতা লৈবা এম্বেসিদা ওফিসলশিং থারগনি

সিওল, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কোরিয়ন নেসনলশিংগী কন্টিঞ্জেন্সি প্লানশিং শেম-শানবগীদমক কিভতা লৈবা সাউথ কোরিয়ন এম্বেসিদা ওফিসল অহুম থারগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা লাউথোকখ্রে।



সাউথ কোরিয়াগী দিপ্লোমেটিক মিসনশিংগী চীফশিংগা ভর্চ্যুএল মীটিং অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা উংখৎনবা লৈরিঙৈদা মমাঙগী নুমীৎতা ফোরেন মিনিষ্টর চুং ইয়ুই-য়োংনা রসিয়া, য়ুক্রেন অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরিবা য়ুক্রেনদা লৈরিবা সিওলগী এম্বেসিনা কোরিয়ন রেসিদেন্টশিং অমসুং কম্পনিশিংগা মীটিংশিং পাঙথোকপগা লোয়নননা ট্রান্সপোর্টেসন অমসুং লেন্দ রুটশিংগী মরমদা ইনফোর্মেসন অপদেট তৌনবসু থৌরাং তৌরি। য়ুক্রেনগী সিটি তরুক্তা লৈবা এয়রপোর্ট তরেৎতা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং মখা তানা মহৌশাগুম ওপরেট তৌরিবদু য়েংলগা মিনিষ্ট্রি অসিনা য়ুক্রেনদা লৈরিবা সাউথ কোরিয়নশিংদা মতুং তারকপদা শাফগদবা লমশিংদা হোংদোক্লবা পাউতাক পীখি। য়ুক্রেনদা হৌজিক সাউথ কোরিয়ন ৪৪০ রোম লৈরি। মখোয় অয়াম্বা কেপিটেল কিভ অমসুং অতৈ মনুংগী সিটিশিংদা লৈরিবনি।

# পেন্দমিক মনুংদা ফিলাদেলফিয়াদা নোংমৈগী ভাইওলেন্স হেনগৎখি

ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১দা য়ু এসকী পেনসিলভেনিয়া ষ্টেটকী খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা ফিলাদেলফিয়াদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩৩২ নোংমৈনা কাপখিবগা লোয়নননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা নোংমৈ চেন্নবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগী নৌবা রেকোর্দ অমা থমখি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।



এজেন্সীনা ফিলাদেলফিয়া ইনক্বায়রর রিপোর্ট পল্লদুনা হায়, পুলিসনা কুমজা ২০১৫দা অহানবা ওইনা নোংমদা থোকপা থৌদোকশিংগী মশীং ফোঙবা হৌখিবদগী সিটি অসিদা নোংমৈগী ভাইওলেন্স লেপ্তুনা হেনগৎলকখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং কুমজা ২০২০দা কা হেন্না ৱাংখি। য়ু এসতা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক অমসুং সোসলগী ওইবা লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরিঙৈ মরক্তা অতৈ সিটিশিংদসু নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং অসি চহী কয়া লাকশিনবা ঙমদবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না হন্দক চহী খরা অসিদা ফিলাদেলফিয়াদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংগী তঞ্জায় অমদি মরৈ য়েৎনবদগী থোকখিবনি। সিটি অসিদা ক্রাইমশিংদা শীজিন্নখিবা নোংমৈ অয়াম্বা পেনসিলভেনিয়াদা লৈখি। নোংমৈ কাপ্পা মীওই কয়া অমসুং মখোয়গী ভিক্টিম কয়া মমাঙদা ফাখ্রবশিংনি নৎত্রগা মেন্টেল হেল্থ সর্ভিসশিং ফংখ্রবশিংনি।

ফিলাদেলফিয়াদা নোংমৈগী ক্রাইমশিং রেকোর্দ ওইনা ৱাংখৎলক্লবসু কেস লিশিং কয়াদি হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদনা লৈরি। কোর্টতা নোংমৈ পায়রম্বগা মরী লৈনবা প্রোজিক্যুসনশিং ফেল ওইবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।